# কুমজা ২০০৬কী দোহা এসিয়ন গেমসতগী এম বিমোলজিৎনা ইন্দিয়াগী ওইনা ৰুশু মশান্নগী ইহান হানবা মেদল ফংলকখি

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

**হঙ্গৎনা য়েংলুবদা এসিয়ন গেমস**



ৰুশু মশান্নগী অচৌবা মফম অমা এসিয়ন গেমসনচিংবদা কল্লকখিবদি মণিপুরী মচাশিংননি। গেম অসিবু হেন্না পোপ্যুলর ওইহল্লকখিবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা ময়াংলম্বম বিমোলজিৎসু অমনি। শান্নরোয় অসিগী মতাংদা খরদং নীংশিংলম্বা য়াবদি, কুমজা ১৯৮৩গী ফেব্রুৱারী ২দা ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং ৱার্দ নম্বর মরিদা লৈবা ময়াংলম্বম নরান অমদি ময়াংলম্বম ওংবী শকুন্তলাগী মচা তরুক (নুপা মরি, নুপী অনী) কী মঙাশুবা মচা ওইনা এম বিমোলজিৎ তাইবঙদা খোঙদারকখি।

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংগী গ্রাউন্দগা নক্লনা লৈরুবনা পুঙ্কক চাউরকপা মতমদগী গ্রাউন্দদা থোত্তুনা শান্নবা হৌরকখি। ককচীংগী ভিক্টোরি হায় স্কুলদা ক্লাস সভেন তম্বা মতমদগী ফুটবোল ইহান হান্না শান্নরকখি। অদুবু মার্সেল আর্টকী ওইমা মশান্নশিংসু পামজরকপদগী বিমোলজিৎ মার্সেল আর্টকী কোচ ক্ষেত্রিময়ূম যুগেশ্বরগী মখাদা শরিৎ-শরাক, কাউন-থিন্নবগী অকূপ্পা কাঙলোনশিং তম্বা হৌরকখি। লায়রবা ইমুংদগী হৌরকপা ওইবনা বিমোলজিৎনা শান্নবদা থৱায় য়াওবদু ময়ূমগী অহল-লমনশিংনদি থোইদোক্লা পূক্নিং থৌগৎলকখি। মরম অদুনা শান্নবা চৎলকপা মতমদা অথিংবা কয়া থল্লকখি। শান্নবদুনা মী ওইবা ঙমগদৌরিব্রা হায়বা ৱাহংসি ময়ূমদগী তত্তনা তাবা ফংলকখি। মদুনা মরম ওইরগা মহয় চানবা নিংথিনা শান্নগে হায়বা অমদি বিমোলজিৎনা অদুমক খল্লগা লাকখি। মার্সেল আর্ট শান্নবগী অচুম্বা মরু ওইবা কাঙলোন, চৎন-লোনচৎ, থকসি-খাসি, ৱাঙাঙ-শঙাঙ, ফিজেৎ-চাকচা পূম্নমক মার্সেল আর্টকী কোচ জুগেশ্বরনসু ফজনা তম্বীরকখি। খরা খরা হৈরকপা, কাঙলোন চুম্না, ফোর্ম তানা শান্নরকপদগী মার্সেল আর্টকী মনুং চন্না লৈরম্বা আইটেমশিং কুংফু, করাটে, টাই ক্বান্দো, কিক বোক্সিংনচিংবগী কম্পিটিসনশিংদা য়াওবা হৌরকখি।

অহানবা ওইনা ষ্টেট লেভেলগী ওইনা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টশিংদা সনাগী মেদল কয়া তত্তনা লৌবা ঙম্লকখি। অতেনবা মতম খরদা বিমোলজিৎনা ষ্টেট লেভেল, নোর্থ ইষ্টকী, ইষ্টর্ন ইন্দিয়াগী, নেসনল থাক্কী কম্পিটিসনশিংদগী সনাগী মেদল ৪০ লৌবা ঙম্লকখি।

অমরোমদা, বিমোলজিৎনা কন্না শান্নরম্বা মতমদুদা ককচীংদা মার্সেল আর্টসতা ঙাওজবা, ফজনা শান্নবা প্লেয়র ৪০০ রোমসু লৈরমখি। অদুবু মশান্না মখলশিং অসি ওলেম্পিক গেমসকী মনুং চনবা গেমস অমা নত্তবনিনা শান্নরোয়শিংদা খুদোংচাদবা খরদি থেংনরকখি। মরু ওইনা ইন্টরনেসনল থাক্তা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টশিং শান্নবা চৎলমদাইদা শেল থুমগী অৱাবা কয়া তত্তনা মায়োক্লরকখি।

নেসনল থাক্তা গোল্ড মেদল ফংদুনা ইন্টরনেসনল থাক্তা শান্নরুনবগী সেলেক্সন ফংলবসু পৈশা লৈতবনা মরম ওইরগা চৎপদি শুকফং ফংলকখিদে। উপাই লৈতনা নীংবা কায়না মতম খরা লেল্লকখি। অদুদগী নীংবা থুংনা শান্নবা ঙম্নবগীদমক মণিপুরগী মপান্দা মার্সেল আর্টসকী ইন্সটিট্যুট হাংলগা কোচ কম প্লেয়র ওইনা শান্নরুরগে খন্দুনা কুমজা ২০০১দগীদি অরুনাচল প্রদেশতা খোঙশাল্লকখি। হৌজিক হৌজিক সাইগী কোচ ওইরিবা মাইবম প্রেমকুমারগা ইন্সটিট্যুট হাংদোক্তুনা অঙাংশিংদা তম্বীরকখি।

'সাওলিন কুংফু ট্রেনিং সেন্তর' হায়না মিংথোন্দুনা হাংদোকখিবা মার্সেল আর্টকী ট্রেনিং সেন্তরদুদা পীক্লিবা অঙাং কয়া অমা থোমজিন্নরকখি। বিমোলজিৎ অমসুং প্রেমকুমারগী মরু ওইবা টার্গেটতি পৈশাসু তানবা, অঙাংসু তম্বীবা, মখোয়সু শান্নবা হায়বসিনি। মায় পাকপা শান্নরোয় অমা ওইবা ঙম্নবা মখোয় অনীমক ময়ূম থাদোক্লগা অরুনাচলদা লাকখিবনি। নহারগুনগী বজার ময়াদা লৈবা সেন্তর ওইদুনা অঙাংশিংনা লাকপদসু নুংঙাইজবা মফম অমা ওইখি।

কুমজা ২০০৪দগীদি কোচ কম প্লেয়র ওইনা নেসনল চেম্পিয়ন-শিপ্তা শরুক য়াননবা হোৎনরকখি। অহানবা ওইনা কুমজা ২০০৪গী নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তুগী শান্নবা হৌরকখি। মদুদা নুংঙাইতবা খরসু থেংনরকখি। মায় পাক্লে হায়দুনা খুৎ থাঙ্গৎলুরগা কোন্নদি পীরকখিদে। অহাবগী চৎপসিদা শাউনীংবা, পেন দবশিং থেংনরগা বিমোলজিৎ হল্লকখি। মদুগী মতুং ইকান কান্নদনা কুমজা ২০০৪গী ওক্টোবর থাদা হিমাচলদা 'ফর্ষ্ট ওল ইন্দিয়া ইনভাইটেসন নেসনল ৰুশু চেম্পিয়নশিপ' পাঙথোরকখি। মদুদা কিলোগ্রাম ৬০গী কাঙলূপ্তা বিমোলজিৎ অরুনাচল প্রদেশ রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নরকখি। দেল্লিগী মচা রাজেন্দর সিংহ মীনা হায়বা অমগা শান্নখি। মদুদা বিমোলজিৎনা নোক আউটতা লাকচনা থোইখি।

দেল্লিগী মমিং লৈবা প্লেয়র রাজেন্দর সিংহ মীনা হায়রিবা শান্নরোয়শিং ঙমদুনা ৱিন্নর লৌরকখিবদগীদি বিমোলজিৎকী মমিংসিসু সেগাক কায়না খঙনরকখি। হায়রিবা মতমদু সী আর পি এফসী ওইনসু মখোয়গী ৰুশু টিম শেম্নবা কন্না লাংনরকপা মতাং অমা ওইখি। ইন্দিয়াগী টুর্নামেন্ট তৌফমশিংদা কোয়না চৎতুনা অফবা প্লেয়রশিং সেলেক্সন তৌননবা কূপ্না য়েংনরকখি।

বিমোলজিৎকী ওইনসু মতমদু লাইবক ফবা হায়বদু ওইখি। মহাক্কী প্লে কূপ্না উখিবা আর্মিগী, অসাম রাইফলসকী, সী আর পি এফকী কাঙবুদগী মতম অমত্তদা থবক্কী ওফর লাকখি। অদুগুম্বা খুদোংচাবদু ফংলকপদগী বিমোলজিৎতসু হেন্না কন্না হোৎনীংবগী ৱাখল ফাওরকখি। মুন্না খল্লবা মতুংদা মহাক সী আর পি এফতা জোইন তৌখি। সী আর পি এফতা চঙবগী ট্রায়লদসু বিমোলজিৎ মহাক্কী ৱেট কেটাগোরিগী প্লেয়র তরেৎকা ফাইট তৌনখি। মখোয় তরেৎমক নোক আউটতা লোইনমক মায়থীবা পীখি। অসুম্না কুমজা ২০০৫গী মার্চ ১দা দেল্লিগী জারোদাদা কোন্সটেবল ওইনা জোইন তৌরকখি। য়াম্না ৱানা মশানা স্পোর্টস কেরিয়রসি পাল্লিবা পান্দমদু ফংননবা হোৎনরকখি।

কুমজা ২০০৫গী ওক্টোবর ৯দগী ১২ ফাওবা লক্ষনৌদা পাঙথোক-খিবা "১৪শুবা নেসনল ৰুশু চেম্পিয়নশিপ" তা কিলোগ্রাম ৬০গী কাঙলূপ্তা বিমোলজিৎ সনাগী মেদল লৌবা ঙম্লকখি। মদুগী মতুং কুমজা ২০০৬কী ওগষ্ট থাদা শ্রী লঙ্কাগী কলম্বোদা তৌখিবা ১০শুবা সাউথ এসিয়ন গেমসতসু কেজি ৬০গী চাং য়েংনবদা বিমোলজিৎ গোল্ড মেদল ফংলকখি। অতেনবা মতম খরদা থৱায় য়াওনা হোৎনজরকপগী মপান্না "১৫শুবা দোহা এসিয়ন গেমস" তা য়াওননবগী খুদোংচাবা অমসু ফংলকখি। ইন্দিয়াগী ওইনা ৰুশু মশান্নদা ইহান হান্না শরুক য়ারকখিবসি দোহা এসিয়ন গেমস অসিদগীনি। কুমজা ২০০৬কী দোহা এসিয়ন গেমসতা ৰুশু মশান্নগী ওইনা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নখিবসি থৌবালদগী সী আর পি এফতা লৈবা ওইনাম জয়, দেল্লি মচা নরেশকুমার শর্ম্মা অমদি ময়াংলম্বম বিমোলজিৎ মখোয় অহুমনি। অদুগা টিম কোচ ওইনা চৎখিবনা ইন্দিয়াগী চীফ কোচ ওইবা অসাম রাইফলসকী কোচ মণিপুর মচা ইস্লামুদ্দিননি।

দোহা এসিয়ন গেমস অদুগী কিলোগ্রাম ৬০গী কাঙলূপ্তা বিমোলজিৎনা ব্রোঞ্জ মেদল অমা লৌরকখি। হায়রিবা মেদল অদু ইন্দিয়াগী ওইনদি ৰুশু মশান্নদা ফংলকপা ইহান হানবা মেদলনি।

-মথং-মথং

# ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু থাইলেন্দ ওপনগী ফাইনেলদা জপানগী নোজোমি ওকুহারাগী মখুত্তা মায়থীহৌরে





বেঙ্কোক , জুলাই ১৫(এজেন্সী)ঃ থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোকতা পাঙথোকপা য়ু এস দোল্লর ৩৫০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৮গী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় পি ভি সিন্ধু জপানগী শান্নরোয় নোজোমি ওকুহারাগী মখুত্তা মায়থীহৌরে।

ফাইনেল মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় পি ভি সিন্ধুগী মায়কৈদগী মায়পাকপা য়াবগী মশান্না অমত্তা উৎপা ঙমখিদে। জপানগী শান্নরোয় অদুগী মায়কৈদগী য়াম্না এটেক্টিং ওইবা মশান্না অদুনা মেচ অদুগী অয়াম্বা মতমদা সিন্ধুবু খুদুম চনবা ঙমখি। ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা গেম হৌরকপদা শান্নরোয় অনীনা য়াম্না মান্নবা মওংদা পোইন্ট লৌনখি। পোইন্ট ২-২ ফাওবা মান্নদুনা লৈখি। নোজোমিনা মখাতাবা পোইন্ট ২ লৌদুনা ৪-২দা হেনবা ঙমখি।

মখাতাবা পোইন্ট ২ নোজোমিনা লৌদুনা ৬-২দা লৈরিঙৈদো সিন্ধুনা য়াম্না ফজবা মওংদা পোইন্ট ৩ থংন-থংননা লৌদুনা ৫-৬তা স্কোর বোর্দ অদু লৈখি। সিন্ধুগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেকশিং পোইন্ট লৌবা ঙমখিদে। মহাক্না তৌখিবা স্মাসশিং আউট তাদুনা পোইন্ট মাঙজখি নাকল অমরোমদা নোজোমি ওকুহারানা মহাক্কী সোটশিং অদু য়াম্না কন্ট্রোল তৌদুনা শান্নবা ঙমখিবদগী পোইন্ট ৯-৫দা অমুক হেন্দুনা লৈখি।

গেম অদুগী ময়ায় চনশিল্লকপদা জপানগী শান্নরোয় অদুনা পোইন্ট ১২-১০দা হেন্দুনা লৈবা ঙমখি। সিন্ধুনা নোজোমি ওকুহারাগী নেট প্লে অদুদসু লম্বা তৌবা ৱাখিবদগী পোইন্ট ১৯-১৫দা হেন্দুনা অহানবা গেম অদু মায়পাকপগী লম্বেলদা নকশিনখি। মখাতাবা পোইন্ট ২ থংননা লৌবা ঙমখিবদগী ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা গেম অদু জপানগী শান্নরোয় নোজোমি ওকুহারানা ২১-১৫দা মায়থীবা পীদুনা সিন্ধুবু গেম অমা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সিন্ধুনা হৌরকপদা য়াম্না ফজবা ঙমখি। মহাক্না নোজোমিবু পোইন্ট ৫-১দা মাংজিল থাদুনা লৈখি। জপানগী শান্নরোয় অদুগী মায়কৈদগীসু য়াম্না কন্না হোৎনদুনা পোইন্ট লৌবা হৌরকখি। অনীশুহা গেম অদুগী তঙ্খাই য়ৌশিল্লকপদা সিন্ধুনা পোইন্ট ১১-৯দা হেন্দুনা লৈখি।

জপানগী ওকুহারানা শোথখিবা পোইন্ট ২ লান্থোক্তুনা সিন্ধুদগী মাংজিল থাবা অমুক ঙমদুনা ১৪-১৩দা লৈখি। সিন্ধুনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা পোইন্ট ১৮-১৮দা মান্নদুনা লৈখি। অদুবু জপানগী শান্নরোয় অদুনা লোয়শিল্লকপদা সিন্ধুবু ২১-১৮দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল অদু ২১-১৫, ২১-১৮ থোইরগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোয় তোমি সুগিয়ার্টোবু জপানগী শান্নরোয় কান্তা সুনেয়ামানা ২১-১৬, ১৩-২১, ২১-৯দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি। নুপাগী দবলসতা জপানগী পেয়র তাকেসি কমুরা অমসুং কৈগো সোনোদানা অতোপ্পা জপানগী পেয়র হিরোয়ুকি এন্দো অমসুং য়ুটা ৱাতান্বেবু ২১-১৭, ২১-১৯দা থোইরগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নুপীগী দবলসতা ইন্দোনেসিয়াগী গ্রেসিয়া পোলি অমসুং অপ্রিয়ানি রহায়ুনা জপানগী পেয়র মিসাকি মাটসুমোটো অমসুং অয়াকা তকাহাসিগী পেয়রবু ২১-১৩, ২১-১০দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইখি। লোয়ননা মিক্স দবলসতা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র হাফিজ ফাইজল অমসুং গ্লোরিয়া ইমান্যুল ৱিদজাজানা ইংলেন্দগী পেয়র খৃস এদকোক অমসুং গেব্রিএল এদকোকপু ২১-১২, ২১-১২দা মায়থীবা পীরগা টাইটল লৌখি।

## জুনিয়র গর্লসকী ট্রায়ল কম সেলেক্সন

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস)ঃ জুনিয়র গর্লস নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা মণিপুরগী টিম শেম্নবা শান্নরোয় ৩৮গী লিষ্ট অমা খনগৎতুনা ট্রায়ল কম সেলেক্সনগীদমক শেম শাখ্রে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকিপরদা ৱাই য়াইফবী, কে মেলোদি, লিন্থোইঙম্বী, দল্লিয়ু উষারানি, এন মোনিকা অমসুং টি ঐচ মাঙ্গোলঙানবীনি। দিফেন্দরদা দল্লিয়ু কঞ্চন, পি ঐচ অশিলা, কে ঐচ অনিতা, ঐচ পুস্পা, পি ঐচ নিরমালা, ঐচ তোম্বীসনা, সরিতা য়ুম্নাম, ৱাই জেনিতা, এস ঐচ মেকোলা, এস সুরজিতা, কে ঐচ রেবিনা, কে ঐচ সনামিজা, এম পুজা অমসুং টি ঐচ ইচনতোননি। মিদফিল্ডদা এ নিলম, ৱাই ইন্দিরা, এ কে পুস্পরানি, ঐচ লিন্দা, ৱাই লক্সমি, কে ঐচ বিদ্যারানি, ও লানঙম্বী, এস উমা, এম অম্বিকা, টি ঐচ সঞ্জিতা অমসুং এল সিলিয়ানি। অদুগা ফোরৱার্দতা ঐচ বালেশ্বরি, এল বিজয়া, পি ঐচ সনথোকপী, মৈলুনশ্যাম, এস ঐচ দেনিক, কে ঐচ লক্সমি অমসুং ৱাই ইন্দিকানি।

খনগৎলবা শান্নরোয়শিংনা অসিনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্তা লৈবা আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা হয়েং অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা ট্রায়ল কম সেলেক্সন অসিগীদমক রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি।

# সর্বিয়াগী নোবাক জোকোবিসনা সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসনবু মায়থবীবা পীদুনা ৱিমব্লেদন টাইটল ফংখ্রে



লন্দন, জুলাই ১৫(এজেন্সী)ঃ সর্বিয়াগী শান্নরোয় নোবাক জোকোবিসনা ঙসি লন্দনদা শান্নখিবা চহী অসিগী ৩শুবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ৱিমব্লেদন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা সাউথ অফ্রিকাগী শান্নরোয় কেবিন এন্দরসনবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

নোবাক জোকোবিসনা ঙসি ফংখিবা টাইটল মহাক্কী করিয়রগী ওইনা ১৩লকশুবা গ্রান্দ স্লাম টাইটলনি। অদুগা ৱিমব্লেদনগী টাইটল ওইনদি ৪রকশুবা টাইটলনি। নোবাক জোকোবিস মমাংগী সিজন খরদা মশান্না ফজখিদবদগী ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা য়াম্না হন্থরুরবনি। অদুবু চৎলিবা সিজন অসিদা ফজবা হেল্লকপদগী মহাক্না শরুক য়াখিবা টুর্নামেন্ট কয়াদা টাইটল লৌবা অমদি ফাইনেল য়ৌবা য়াওরকখি।

ৱিমব্লেদন গ্রান্দ স্লাম টেনিস টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল অদুদা নোভাক জোকোভিচনা সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসনগা শান্নদ্রিঙৈগী মাঙওইননা সেমী ফাইনেলদা মহাক্না স্পেনগী শান্নরোয় রাফেল নদালবু য়াম্না ফজবা লম্বা অমদা মায়থীবা পীরমখি।

অমরোমদা, সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসন্না মহাক্কী সেমী ফাইনেলদা য়ু এস এগী শান্নরোয় জোন ইস্নরগা মরাথোন মেচ অমা শান্নরগা মায় পাক্লকখিবনি।

ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেট জোকোভিচনা ৬-২দা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা সেট অদুসু মহাক্না এন্দরসনগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা পীরক্তবদগী ৬-২দা থোইরবা মতুং অহুমশুবা সেট অদু শান্নখি। অহুমশুবা সেট অদুদা এন্দরসনগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌরকখি। মদুদা টাই ব্রেক ফাওবা লাক্তুনা চথরকপদা জোকোভিচনা ৭-৩দা থোইরগা টাইটল অদু লৌখি।

মালেমগী ওইনা ফেদররনা গ্রান্দ স্লাম টাইটল ২০ লৌরি। নদালনা ১৭ অদুগা পিট সেম্প্রাসনা ১৪ ফংলি।

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৭৫

১। ৱর্ল্ড কপ ফুটবোলগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা মায়োক্লবা টিমগী শান্নরোয়না কাওথৎতুনা মখোঙ তেকখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং পীয়ু।

২। টিম অসিনা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল তরেৎলকশুবা ওইনা ফাইনেল ষ্টেজদা শরুক য়াবা মতমদা স্কুল ওজা অমবু টিম কোচ ওইহনবগী লমদম অদুগী মীওই খরনা য়ানীংখিদে অমদি টিম অদু মথং রাউন্দ চঙবা ঙমখিদে। টিম অদুগী মমিং পীয়ু।

৩। হিমা দাসকী মমাঙদা মমিং চৎখিবা অসামগী এথলেট অমগী মমিং পীয়ু।

৪। মহাক্না ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংবা ঙম্লবদি কিলোমিটর ১৭৫ মখোঙনা চৎকনি হায়না ৱাশকখি। মহাক লমজেল অদুদা মকোক ওইখি। মহাক্কী ৱাশক অদু ঙাক্তুনা মখোঙনা কিলোমিটর ১৭৫ চৎলগা ফাটিমাগী লাইশঙদা চঙদুনা ভিরজিন মেরিবু খুরুমজখি। মহাক কনানো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-৭৪গী পাউখুম ৪ চুম্না থাবিরকখিবশিংদি

| | |
|---|---|
| ***(১) মুতুম মালেমঙানবা, খোংজোম খেবচীং*** | ***(৪)*** |
| (২) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, নোংমৈবুং সেরাম লৈরক | (৪) |
| (৩) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় | (৪) |

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ- ৭৪গী ৱিন্নর**

***মুতুম মালেমঙানবা, খোংজোম খেবচীং (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)***

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ৭৪গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম**

জুলাই ২২, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৭৪গী পাউখুম

১। মহাক অফাওবা ফুটবোল শান্নরোয়নি, মহাক্কী লৈবাক্না ৱর্ল্ড কপ চেম্পিয়ন ওইবা মতমদা মহাকসু শরুক য়াখি। মহাকপু মহাক্কী ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা Gasolina হায়নসু খঙনৈ। মহাক কনানো?
:- PELE

২। মহাক নুপীনি, মহাক্কী মপা দাক্তরনি, মহাক্না ৱিন্টর ওলেম্পিক্তা সনাগী মেদল ফংলবা মতুংদা হভার্দ মেদিকেল স্কুলদা তমদুনা দোক্তর ওইখি। ৱিন্টর ওলেম্পিক চেম্পিয়ন অমনা দোক্তর ওইবা অসি অতাঙবনি, মহাক্কী মমিং হায়য়ু?:- TENLEY ALBRIGH

৩। মহাক অমেরিকাগী অফাওবা এথলেটনি। ওলেম্পিক চেম্পিয়ননি। লৈবাক অদুগী অচৌবা লানগী জহাজ অমা মহাক্কী মমীং থোনখি। মহাক্কী মমিং করি কৌবগে? :- CHARLES PADDUCK

৪। মহাক ওলেম্পিক্কী মেদলসু ফংখি, ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল পাঙথোক্কদবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মহাকপু মেনেজরনা তান্থোকখি। মহাক মতুংদা মহাক্কী লৈবাক্কী ফুটবোল টিমদা য়াওখিদ্রে। মহাক কনানো?
:- ANDRES MAZALI

৫। পীরিবা শক্তম অসি কনানো? :- RAY ILLINGWORTH

# মণিপুর কাং টিম হায়লাকান্দিগীদমক ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে




ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস) ঃ অসামগী হায়লাকান্দিদা লৈবা ওল হায়লাকান্দি দিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিএস-নগী মীৎয়েং মখাদা হৌখিবা জুলাই ১দগী হৌদুনা চথরক্লিবা ইবেমহল মেমোরিএল ইনভাইটেসন লীগ কম নোক আউট প্রাইজ মনি নুপী খূৎ কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮দা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরগী কাং টিম খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী মণিপুর কাংশঙদগী ঙসি মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএসন (এম ও এ) গী সেক্রেটরি সুনিল এলাংবম, মণিপুর কাং এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম জাদুমনি অমসুং এম ও এগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর এল ফুনিলনা হায়লাকান্দিগীদমক লমথাখিবনি।

ঙসি ইম্ফাল থাদোকখিবা মণিপুর কাং টিমগী শান্নরোয়শিং অদুদি এ ওপেন, ৱাই ইনাওচা, দল্লিয়ু অহজাও, কে ঐচ তরুন, ঈ ইনাওবী, এল অপেলো, টি ঐচ সজিতা অমসুং টি ঐচ অকাসিনি, টিম কোচ ওইনা এস বিরকুমার, টিম মেনেজর ওইনা এন সুরনচান্দ, অম্পায়র ওইনা আর কে ইঙোচা অমসুং গাইদ ওইনা ঈ ফজবী অমদি মণিপুর কাং এসোসিএসনগী পি বন্দন অমদি এম কে এগী সেক্রেটরি ঈ সোভানি।

# নুপীমচাশিংগী ওইবা সেল্ফ দিফেন্স প্রোগ্রাম ঙসি লোইশিনখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস) ঃ জীট কুনে-দো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা ডা. মোইরাংথেম ইবোমচানা শিন্দুনা ইম্ফল ইষ্টকী কষ্টুরভা গান্ধী বালিকা বিদ্যালয়া স্কুল অন্দ্রোদা হৌখিবা জুন ২৪দগী হৌদুনা জুলাই ১৫ ফাওবা পাঙথোরকখিবা নুপীমচাশিংগী ওইবা সেল্ফ দিফেন্স প্রোগ্রাম ঙসি লোইশিনখ্রে।

তোঙান তোঙানবা ইম্ফাল ইষ্টতা লৈবা নুপীমচা ৮০ হেনবনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা নুপীমচাশিংগী সেল্ফ দিফেন্স প্রোগ্রাম অসি মণিপুর অমসুং লৈবাক অসিদা নুপীগী মথক্তা চথরক্লিবা ক্রাইমশিং অসিবু মশানা মশাবু ঙাকথোক্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপা প্রোগ্রামনি হায়না জীট কুনে-দো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরি ডা. এম ইবোমচানা ফোঙদোরক্লি।

# মণিপুরগী সব জুনিয়র গর্লস নেসনল টিম হরাউ তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস) ঃ ওদিষাগী কটক্তা টিম ২২না শরুক য়াদুনা হৌখিবা জুলাই ১দগী হৌদুনা ১২ ফাওবা পাঙথোকখিবা সব জুনিয়র গর্লস নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মণিপুরগী সব জুনিয়র গর্লস নেসনল টিম ঙসি ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসন (অমসা) গী ওফিসতা তরাম্না ওকখ্রে।

চেম্পিয়ন ওইরক্লবা মণিপুরগী সব জুনিয়র গর্লস নেসনল টিম ওকপগী থৌরম অদুদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এস সনাতোম্বা, জেনরেল সেক্রেটরি এল জোতিরমোই রোয়, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম নিলো অমদি এম নবা অমসুং ট্রেজরর এল দিনমনিনা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। ওকপগী থৌরম অদুদা চেম্পিয়ন ওইখ্রবা নুপী শান্নরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা হরাউবা ফোঙদোকখি।